# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 23-01-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চথ্খবদা খুৎশু খুৎলায় অমসুং মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওই অনি ফারে।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি কেরলাদা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়ামরুম শঙ্গাগনি, খরনা যাত্রা হুনগনি।

অমসুং

৩) জম্মু কাশ্মীরগী দোদা জিলাদা লন্মীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা ভারত লান্মীগী পার্সোনেল ১০ লৈখিদ্রে, ১১ অমনা অশোক অপন নংলে।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক লেপ্তুনা চথ্খরি।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা উচোল খুলদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা লোকেল মেদ বেরেল গন অমা, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট টু.টু রাইফল অমা য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাগৎলে।

কাংপোকপী জিলাগী গমনোম-সপরমৈনা পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা মোটবুং বজারদগী মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা মীওই অনি ফাগৎখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনং চন্না লৈবা বোরোই মখোঙদা লম্বীগী এক্সিদেন্টতা মীওই অমা শিখিবগা মরী লৈননা মীওই অহুম পুলিসনা ফাগৎলে।

চান্দেল (এল)ঃ চান্দেল জিলাদা লৈবা ত্রাইবেল ফারমরশিংগী দাইভরসিফাইদ ফার্মিং সিষ্টেম ফোর এনহান্সমেন্ট ওফ লাইভলিহুদ এন্দ ফুড সেক্যুরিতি হায়বসিগী মতাংদা নুমিৎ ১৫ নি চথখিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম লমফৌপাসনা খুলগী কম্ম্যুনিতি হোলদা ঙরাং লোইশিনখ্রে। থৌরম অদুদা ডাঃ খুমনো লেভিস নোদেল ওফিসার টি.এস.পি প্রোজেক্ট চান্দেলনা লৌমীশিংনা লৌ উবা মতমদা তুং কোইনা চৎনগদবা মওংদা লৌ ডনবা হায়খি। থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লৌমীশিংদা সার্তিফিকেটকা লোয়ননা মরু মরাংসু য়েন্থোকখি। ত্রাইবেল সব-প্লানগী মখাদা পাঙথোকপা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি কে.ভি.কে চান্দেলনা শিনবনি।

কাংপোকপী (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাগী ওএসিস কলেজদা ধর্ম্মশিংগী ওহনা অখন্ননা পাঙথোকপা নুমিৎ নিনিগী ৱার্কসোপ অমা ঙরাংদগী হৌখ্রে। থৌরম অদু ইন্দিয়া পিছ সেন্তর নাগপুরগা ওএসিস কলেজগা খুৎশমরগা শিনবনি। ৱার্কসোপ অসিদা তোঙান তোঙানবা লাইনিং চৎপা লুচিংবশিং,

সি.এস.ওশিং পুন্না শরুক য়াদুনা লমদম অসিদা অমগা অমগা নুংশিননা অমসুং শান্তি লৈনা হিংমিন্নদুনা চাওখৎপা পুরকবা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

অমুকো (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসনগী ১০ শুবা কুমওন থৌরম ঙরাং কৈবী সনাপাৎতদা লৈবা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অমুকোগী প্রসিদেন্ট শোরোকখায়বম শঞ্জয় য়াওনা লুপ অসিগী মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা হোম অদুদা লৈবা অঙাংশিংদা চান থকবা পোৎলমশিং অমদি ফিরোলশিং খুদোল তমখি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি কেরলাগী তিরুভনন্তনাপুরমদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়ামরুম শঙ্গাগনি অমসুং প্রোজেক্ট খরা শানবা যাত্রা হুনগনি।

কেরলাগী খোঙচৎতা প্রধান মন্ত্রি ঙসি রাজ্য অদুদা থুংগনি। মহাকা রেল, অরবান লাভলিহুদ, সাইন্স অমসুং ইনোভেসন, সিতিজন সেন্ট্রিক সার্ভিসেস, হেলথ কেয়ারনচিংবা মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহনগদবা প্রোজেক্ট কয়ামরুম শঙ্গাগনি। তিরুভনন্তনাপুরমদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা তিল্লিবা মীয়ামদা শ্রী মোদিনা ৱা ঙাংগনি। মহাকা অমৃট ভারত এক্সপ্রেস রেলগাড়ি ৩ অমসুং পেসেঞ্জর রেলগাড়ি ১ পুন্না রেলগাড়ি ৪ লমথাগনি। সহরদা লৈরিবা মীয়ামগী পুন্সি মহিং হেন্না ফগৎহন্নবা পান্দমদা প্রধান মন্ত্রিনা পি.এম. সভানিধি ক্রেদিৎ কার্দ হৌদোক্কনি। মহাকা কেরলাগী ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং য়াওনা বেনিফিসরি লাখ ১ রোমদা পি.এম. সভানিধি লোন খুৎশিন্নগনি।

তিরুভনন্তনাপুরমদা সি.এস.আই.আর-এন.আই.আই.এস.টি ইনোভেসন, টেকোলোজি, অমসুং ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ হব শানবা যাত্রা হুনগনি।

এক্সিদেন্ট ঃ জম্মু কাশ্মীরগী দোদা জিলাদা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা ভারত লান্মীগী পার্সোনেল ১০ লৈখিদ্রে, ১১ অমনা অশোক অপন নংলে।

থৌদোক অদু ভদরৱাদগী চম্বা ফাওবগী লম্বীদা লান্মীশিং অদু তোংলকপা ত্রক অদু চীংখাদা ওন্থবদগী থোকখিবনি। মফম অদুগী পুলিস য়াওনা ভারত লান্মীগী অপুনবা কাংবু অমনা মফম অদুদা চংশিন্দুনা শোক্লবা মীওইশিং কন্নবগী থবক চথুখি। মফম অদুদা মীওই মরি শিখিবনি, ৬ অমনা হোস্পিতালদা লৈখিদবনি হায়রি।

রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণন, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহ অমসুং জম্মু কাশ্মীরগী মুখ্য মন্ত্রি ওমর অবদুল্লানা থৌদোক অদুগী মতাংদা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

ফেষ্টিভেল ঃ ভারত রং মহোৎসব (বি.আর.এম) ইন্তরনেসনেল ফিলম ফেষ্টিভেল ওফ ইন্দিয়াগী ২৫ শুবা ইদিসন থা অসিগী ২৭ তগী দিল্লি অমসুং অতৈ মফমশিংদা পাঙথোক্লগনি।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা নেসনেল স্কুল ওফ ড্রামাগী দিরেক্তর চিত্তরঞ্জন ত্রিপাথিনা হায়- ফেষ্টিভেল অসিদা বি.আর.এমনা থিয়েটরগী জগোই, ড্রামা, পপেট থিয়েটর য়াওনা অতৈ ত্রেদিসনেল থিয়েটরগী কলা কয়া উৎকনি। ফেষ্টিভেল অসিগী অখন্ননা পাঙথোক্কদবা থৌরমশিংদি আদি রং মহোৎসব, জসন ই বচপন অমসুং বাল রং মহোৎসবনি। মহাকা মখা তানা হায়- ফেষ্টিভেল অসিদা নুপী দিরেক্তরনা পুথোকপা ফিচর প্লে ৩৩ উৎকনি। মহাকা হায়- ফেষ্টিভেল অসি অহানবা ওইনা লদাখ, অন্দমান-নিকোবর ঈথৎ, লক্সদ্বিপ, দমন এন্দ দিউ, আইজোল, তুরা, নগাউন, মন্দি অমসুং রোহতকতা ফেষ্টিভেল অসিগী সেন্তর ওইরগনি। ফেষ্টিভেল অসি মথং থাগী ২০ ফাওবা চখগনি।

সিন্দিয়া ঃ কেন্দ্রগী কম্যুনিকেসন্স মন্ত্রি জ্যোতিরঅদিত্যা সিন্দিয়ানা হায়রি- ইন্দিয়ানা পোষ্টনা চৎলিবা শেনবা চহি অসিদা লুপা কোতি লিশিং ১৭,৫০০ গী রেভিন্যু খোমগৎনবা পান্দম থল্লি। শেনফম অসি হৌখিবা শেনবা চহিদগী চাদা ৩০ হেনগৎলে হায়রি।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা মীফম অমদা শরুক য়ারবা মতুং পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা শ্রী সিন্দিয়ানা হায়- চৎলিবা শেনবা চহি অসিগী থা ৯ দা লুপা কোতি লিশিং ১০,১৫৫ খোমগৎপা ঙমখ্রে। শ্রী সিন্দিয়ানা মখা তানা হায়- ইন্দিয়া পোষ্টকা অতৈ ম্যুচুয়েল ফন্দ কম্পনিশিংগা এসোসিয়েসন ওফ ম্যুচুয়েল ফন্দসকা খুৎশমবদগী শেনফমশিং অসি খোমগৎপদা চাউনা মতেং ওইরি।

এনআইএ ঃ কোলকাতাদা লৈবা এন.আই.এগী স্পেসিয়েল কোর্ট অমনা পাকিস্তানদা বেজ তৌবা টেরর আউটফিট লাস্কর-ই-তোইবদা নহাশিং য়াওহনবদা চেন্নবা মীওই অমা চহি ১০ জেলদা থমবা লাউথোকখ্রে। কোর্টনা

করনাটক্কী উত্তরা কনারা জিলাদা লৈবা সয়েদ এম. ইদ্রিস কৌবা মীওই অদু ইন্দিয়ান পেনাল কোদ অমসুং অনলোফুল এক্তিভিতিজ প্রিভেন্সন এক্টকী মখাদা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখিবনি। মীওই অদুগী মথক্তা কোর্টনা লুপা লিশিং ৭০ গী ফাইনসু থিনবা খঙহনখি।

পনবা য়াই, কেস অসি ইং ২০২০ গী এপ্রিলদা ৱেষ্ট বেঙ্গল পুলিসতগী এন.আই.এনা লৌখিবনি। মসিগী মতাংদা থিজিনবদা সয়েদ ইন্দিসকা লোয়ননা জম্মু কাশ্মীরদগী অলতাফ অহামদ রাথর কৌবা মীওই অমসু ফাখি।

এজেন্সিগী পাউনা হায়- ফারবা মীওই অনি অমসুং তানিয়া প্রবিননা নোংচুপ বেঙ্গলদগী নহাশিং লাস্কর-ই-তোইবদা য়াওহনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌখি। অককবা পাউ অমা ফংবদগী ইং ২০২০ গী মার্চতা নোংচুপ বেঙ্গলগী নোর্থ ত্বেন্তিফোর পরগনাজ জিলাগী বদুরিয়াদা নোংচুপ বেঙ্গল পুলিসকী স্পেসিয়েল টাক্স ফোর্সনা ওপরেসন চথবদা তানিয়া প্রবিন ফাখিবনি। মদুদা জিহাদিগী লাইরিক য়াওনা পোৎলম কয়ামরুম ফাগৎখি।

---নিডজ পেপর হেদলাইন্স---

চহি ১০ গী মতুংদা আই.এস.বি.টি ইম্ফাল থবক তৌবা হৌখিবগী পাউ অমসুং রিসিকান্ট মীহাৎকা মরী লৈননা মাইকৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোংদোরকপগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

কুকি তেরোরিষ্টশিংনা হাৎপিখ্রবা রিসিকান্টগী হকচাং জঙ্গলদগী ফংখ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা অতৈ পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

কংগ্রেসকী এম.এল.এশিংনা গভর্নর উন্নবদা চেন্নরমগনি চিংনবশিং খঙলে হায়না ফোংদোরকখ্রে হায়বা পাউ সনালৈবাক্তা অনিসুবা হেদললাইন তৌরি।

গভর্নর আজয় কুমার ভল্লানা রিসিকান্টগী মীশি থিদোকবা এন.আই.এদা

শিন্নরগনি হায়না শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গভর্নরনা আই.এস.বি.টি রি-কম্মিসন তৌখ্রে, দিষ্ট্রিক্ট মরিদা ট্রান্সপোর্ট ওফিসশিং হাংদোকখ্রে হায়না হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরগী ইলেক্তেদ রুরেল লোকেল মোদি লৈতবনা লুপা কোতি ৬৯০ মাংজখ্রে হায়না পোকফমগী এনকর কলমদা ফোংলি।

লম্বী থৎলগা লৈতবগী, লুহোং খোংদোংবগী থৌরম য়াওনা অতৈ থৌরমশিং পাঙথোকপা য়াদে হায়না দি.সিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

প্রেস কোলোনি অমজ্দা দি.সিনা শিন্নখিবগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলদা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

ৱার্ল্ড ৱেটলেন্দস ডেগা মরী লৈননা কলেজ থাক্কী ওইবা সিম্পোজিয়ম পাঙথোকখিবগী পাউ মণিপুর মেলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা রিসিকান্ট মীশিগা মরী লৈননা কোকোমিনা য়ানিংদবা ফোংদোরকপগী পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা নেসনেল রোদ সেফতি মন্থ্কা মরী লৈননা তমেংলোংদা জিলা থাক্কী ওইবা পেন্টিং কম্পিতিসন পাঙথোকখিবগী পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা রোড সেফতি মন্থ্কা মরী লৈননা থা অসিগী ৩১ দা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সপোর্ট ওফিসারনা সোর্ট ভিদিও মেকিং কম্পিতিসন পাঙথোক্লগনি হায়না ফোংলি।

------